# মালেমসিগী খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইরিবা খুন্নাই

## ‘ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল থিরগা পুন্সিসি চৎলন্নবদি ঙসিগী তমথীখ্রবা খুন্নাইসি ওইরগ্লোই। ঐখোয়গী ঈ মরীদি নোংপোক লোমদনি। হৌরকফম কাউরোইসি। মপা-মমা লৈত্রবা মচাগুম্বা লমনি। ঐখোয় পূম্নমক পুল্লপ অমুক্তা পুনশিনসি। শেন্নসি অনৌবা খুন্নাই অমা)

— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —

ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা অতম্লনা কুকি মিলিটেন্টশিংগতা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন, করিগী এগ্রীমেন্ট অসি ন্যু দেল্লীদা সাইন তৌখিবনো? কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা আর্মি অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কে এন ওগা এগ্রীমেন্ট সাইন তৌখি। অদুগা কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা চহী অমগী ওইনা এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখি। অসুম্না এগ্রীমেন্ট অসি চহী খুদিংগী শাংদোল্লগা অদুম চত্থরগা লাকখি।

মণিপুরদা লৈরিবা অতোপ্পা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিংগদি করিগী এগ্রীমেন্ট অসি সাইন তৌননবগী করিগী হোৎনখিদবগে? চহী ২০০০ হেন্না হিংলক্লবা কাঙলূপনা উদগী তারগা পংথদুনা লৈহৌরে। অদুগা চহী ২৮২ খক্তা লমদম অসিদা খোঙদারকখিবা মীওই খরনা য়াম্না হৈ-শিংনা ৱাখল খল্লগা চত্থরকখিবা প্লাননি হায়বসি খন্থহৌদবা নৎত্রগা খঙনা-খঙনা খুদোংচাবা খরা ফংনবগী এগ্রীমেন্ট অসি সাইন তৌহনখিবা শোয়দনা ওইরমগনি। নন লোকল আই এ এসনি হায়রিবা মীওই অদু করেক্টর শুকয়াও য়াওদবা, চুড়াচান্দপুরদগী কুকি নিঙোল লৌখিবদুনা এগ্রীমেন্ট অদুগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সিগনেটরিনি।

এগ্রীমেন্ট অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি ঙসি মীচম মীয়াম্না খম থেংনা ৱারিবা অসিনি। মীচম মীয়ামদা এগ্রীমেন্ট অসিগী মরমদা ৱাহৈ অমা ফাওবা খঙহল্লন্বা অমসুং সজেসন অমত্তা হংলম্বসু নত্তে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লেভেলদা সাইন তৌখিবা এগ্রীমেন্ট অসি কনা কনানা সিগনেটেরিশিংনো হায়বদু করিগীদমক য়াম্না কূপ্না থিজিনহৌদবগে? এগ্রীমেন্ট অসি গভর্ণমেন্ট অনীগী শোয়খ্রবা খোঙথাংনি খঙলবসু মণিপুরগী টেরিটোরি অমসুং মীচম মীয়ামগীদি করিসু খনবীদনা অমসুং নাচুংবীদনা মখোয়না থোকপা পুন্সি নুংঙাইনবা মহিংদা মতম লেল্লি। হৌজিক্কী ফম্নাইবশিংগী করেক্টরদি হঙ্গোইনীংঙাইনি।

চহী ১৮ শুগদৌরবা এগ্রীমেন্ট অদুদা সিগনেটরি পূম্নমক ইন্দিয়ন সিটিজনরা নৎত্রগা নত্তবরা? হৌজিক তম্পাক্কী মীয়াম করিসু মরাল লৈজদবা অমসুং পুন্সিসি ৱানা হিংলিবা মখোয়দা লুংগি শেৎপা বর্মিজ নৎত্রগা অতোপ্পা ফুরুপকী মীনা মণিপুরগী সোইলদা চংহল্লগা ঐখোয়গী ফুরুপ্তা নোংমৈ/বোম কাপহল্লিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো? মীয়াম্না মতোমতা হিংনবগী লন্বী থিজরগা হিংলি। এগ্রীমেন্ট অদু ইহান হাননা কুমজা ২০০৫দা সাইন তৌখিবা ইন্দিয়ন আর্মিদি লানফম অসিদা মমিৎ লাওথোক্লগা মীৎয়েংলোই ওইরগা, ঐখোয়গী মীয়ামগী মতেং পাংবগী মহুত্তা হেন্না অৱাবা পীরি। লানসি মীচম মীয়াম্না থেংনগদৌবা নত্তে। ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থেংনগদৌবনি।

এগ্রীমেন্ট অসিগী জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ্তা য়াওরিবা Principal Secretary (Home), Govt. of Manipur, Inspector General of Police (Intelligence) Representatives of Ministry of Home Affairs, CPOs অমসুং আর্মি অমদি য়ু জি গ্রুপনা এগ্রীমেন্ট অসিগী গ্রাউন্দ রুল পূম্নমক্তু মপূং ফানা পাঙথোক্লিবরা হায়বদু য়েংশিল্লগা থা খুদিংগী মখোয় পূম্নমক কদাইদা, করম্বা মতমদা মীটিং তৌরগা উন্নখিবগে? এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবা গ্রাউন্দ রুলশিংদু পুকচেল শেংনা থবক ওইনা পাঙথোক্লক্লবদি ঙসি মীচম মীয়ামদা ৱাহল্লিবা মরমসি ফংলম্লোই। খ্বাইদগী থম্মোয় শোকনীংঙাই ওইরিবদি চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মী নত্তবা, মীওইবগী মী মানবা মীশিংনা ঐখোয়গী ইমা লৈবাক্কী লমদম অসিদা অমুক হন্না খোঙদাখিবগী লন্বী শেমখিবা অসিনি। লুংগি শেৎপশিং ঐখোয়গী চীংশিংদা কোইচৎ চৎলি হায়বদুদি দ্রোনশিংগী মতেংনসু উরে। অদুগা লোয়ননা ইচাশিং অমসুং নহাশিংনসু মমিৎনা শং-শং উরবনি। লমদম অসিগী চীংমীশিংদি লুংগি শেৎতে। মখোয়গী আই দি কার্দ কনানা ইস্যু তৌখিবগে?

এগ্রীমেন্ট অসিদা য়াওরিবা সেন্টেন্স - "State Government will be responsible for enforcing the Agreed Ground Rules with the help and assistance of the CPOs, Assam Rifles and Army" মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সেন্টেন্স অসি মপূং ফানা পাঙথোকপীখিবরা?

মীচম মীয়ামদা করিগীদমক মফম-মরাং খঙদ্রবা, শাহিং-ঙাহিং চাবা মখোয়না করিগী নোংমৈ কাপ্লিবনো? অদুগা ইন্দিয়াগী য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা মমৈ হাইরগা য়েংদুনা লৈরি। মালেমগী মফম অমত্তদা পাঙথোক্তবা লৈঙাক সাসননি। মণিপুরগী চীংশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংসি ফ্রী-পাস পীরগা কোইচৎ চৎহনবগী পর্মিসন পীখিবগা চপ মান্নখরে। মখোয়দা কনানসু চ্যেক তৌখিদরে। কনানসু খূৎ থাদরে। চহী ১৮ মুকসিদা মখোয়না চীংশিংগী মরমদা- লন্বী, থোং, মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিক এরিয়া-পোইন্ট পূম্নমক হান্না খঙজিনখ্রবা ঙাক্তনি। চীংগী এরিয়া পূম্বসি মখোয়না য়ুনিফোর্ম শেৎতনা Reconnaissance তৌরগা খঙজিনখ্রে। ঐখোয়না কুম্মৈদা তাওদুনা লৈখি।

মণিপুরগী ইচম চম্বা ঐখোয়সি দ্রগ লল্লোনবশিংগী, প্রাইভেট আর্মিগী সোফ্ট টার্গেটলা? পাউখুম অসি ঐখোয়না হেভি মেছিন গন পায়রগা পীবনা ফরগনি। লৈঙাক অমা লৈরবদি লৈঙাক্কী চপ চাবা মথৌ তৌফম থোকই। মীয়াম্বু করিসু ওইনা উদবগী খুদম চাংদমসু থা ৬/৭কী মনুংদা/মতুংদা শোয়দনা উরগনি। মীওইবদি মীনুংশি য়াওদবা, ধর্ম্ম কায়বা থবক খক তৌরোইদবনি।

সরেন্দর তৌখ্রবা মিলিটেন্ট পূম্নমক্কী এক্টিভিটি পূম্নমকসি জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ (জে এম জি) না য়েংশিনগদবনি। দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা লুংগি শেৎপা কেদরশিং লৈরমখ্রে অমসুং থল্লল্লে হায়বসি থবক্লা উৎলে। মসিনা তাকপদি জে এম জি অসি মথৌ ফজনা তৌখিদ্রে। এগ্রীমেন্ট সাইন তৌরগসু, জে এম জিনা চ্যেক তৌদ্রবদি মণিপুরগী মাঙজবা অমসুং অৱাবা ওইরিবসিনি। করপসনগী মহিক মপীশিংনা দ্রগলোর্দসতগী লুপা ক্রোর কয়া লৌরগা এগ্রীমেন্ট অদু সাইন তৌনখিবনো হায়বগীসু চিংননীংঙাই লৈতবা নত্তে। কনাসু থাজনীংঙাই লৈরত্তবা খুন্নাই হায়বদু ওইরকখ্রে।

মখোয়গী দিজিগনেটেদ কেম্পশিংসি - চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপল, ফেরজোল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা লৈরি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা- MONGBUNG Camp (Salem), N. PHAISAT (Gilgal), CHONGKHOJOU, NALON Camp অমসুং New Teikot Camp পূন্না কেম্প মঙানি লৈরিবসি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট - Shamushang, T. Gamnom, Natheljang, Thingsat Camp মরিনি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা। ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট - MT SINAI, ANKHASUO অমসুং PHAIBATANG Camp অহুম লৈ। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট - MOUL VAIPHEI Camp অমখক্তনি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট - Chelep Camp নি। সুগী দিজিগনেটেদ কেম্পশিং অসি পুল্লপ্পা ১৪নি।

কেদরশিংনা কেম্প অমদগী অতোপ্পা কেম্প অমদা চৎপদা জে এম জিগী হান্না অয়াবা অমসুং পর্মিসন অমা চংই। মসি চেদা ফজনা ইবগী ৱাফমতনি। গ্রাউন্দদনা ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তনি। পূম্নমকসি গ্রাউন্দদা চ্যেক তৌদবদগী থোক্লিবনি।

মণিপুরদা কুকি ইন্সর্জেন্ট গ্রুপসি ৩০ মুক লৈরি হায়না থেংনরি। সুগা এগ্রীমেন্ট সাইন তৌখিবদি ২৫ খক্তনি। কুমজা ২০২৩গী মার্চ ১০দা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কুকি নেসনল আর্মি (কে এন এ) অমসুং জোমি রেভল্যুস্নরি আর্মি (জেদ আর এ) গদি সু এগ্রীমেন্ট অসি লৌথোকখ্রে। হৌজিক ইন্সর্জেন্ট গ্রুপ ২৩দি সুগী এগ্রীমেন্ট লৌথোক্তরি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসি মীওইবগী লিচৎ-শাজৎকী ৱাংমদনি। অদুগা সুগী ম্যেন ওবজেক্টিবতি পোলিটিকেল দাইলোগ অসি মিলিটেন্ট গ্রুপকা শান্নরগা ম্যেনষ্ট্রিমদা মখোয়বু পুরকপনি। মতাং অসিদা হায়জনীংবদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টনা সুগী এগ্রীমেন্ট সাইন তৌখিবগী মরম অসি করিগীনো হায়বসিনি? ঙসি মীচম মীয়াম্না ৱারিবসিগী অমুনবা মহৈদু মীনুংশি য়াওদ্রবা নখোয়না ফংবা ওইরসনু। মীওইবদি মানা মানা তৌবগী ফলদু ফংবনি।

কুকি সোসাইটিগী টোপ সিক্রেট প্লান অদুগী শরুক অমনি সুগী এগ্রীমেন্ট অসি। অখণ্ড অহৈশিংনা য়াম্না ফজনা প্লান তৌরগা চত্থরকপা খোঙচৎ অমনি। অদুবু মীওইবগী পুন্সিগী অচুম্বা চৎপা মীশিংগীদি মপু মানা তোঙান্না লন্বী অমা শেল্লগা থন্বীবনি। করিসু মীপাইনীংঙাই লৈতে, অচুম্বা লন্বী চৎপশিংগীদি। কাইনথংদা অচুম্বনা জয় ওইগনি।

মতাং অসিৱাইদা ৱাফম অমত্তং পঞ্জহৌগে মদুদি মীওই খরনা হায়রি গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল লমদমসিদা শেল্লগনি। গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগী মরম খঙদনা ঙাওবনি। চাইনা, থাইলেন্দ, লাওস অমসুং ম্যান্মার লৈবাক মরিগী মরক্তা লৈবা তুরেল Ruak অমসুং Mekong অনীগী পূনফমদসু লৈবা মফমনি। পাক চাওবা এরিয়াদি ৯,৫০,০০০ স্কৱার কিলোমিটরনি। মণিপুরগী এরিয়ানা ২২,৩২৭ স্কৱার কিলোমিটরনি। খেন্নরিবসি ৯,২৭,৬৭৩ স্কৱার কিলোমিটরনি। খুদোনবীগী খুজিন মমায়গা, খূবাক্কা চাংদম্নবগুম্বনি। অপীকপা লমগী মীনা, অপীকপা ৱাখল অমসুং থবক পাঙথোকপগুম্বনি। চীংদুম মচা খরদা থাবা পোপি প্লান্টশিংদু মৈতে দ্রগ লল্লোনবশিংনা লৈরগা লল্লোল্লিবা অসিনি। দ্রগ লল্লোনবা পূম্নমক খঙনরিবা ঙাক্তনি। কোর্টতা কেস তৌরগা-হুরানবা, দ্রগ লল্লোনবগী ফত্তবা মিংচৎ, ওক্তবা-ওক্তবীগী মনম কোকপা ঙম্বা নত্তে। অচুম্বগা, অরানবগসি তোঙান তোঙানবা মচুগী শক্তমনি। পুর্ণিমাগা থাশিগা খেন্নবগী মঙালনি পুন্সিগী লন্বী চৎপদা।

মণিপুরগী চৎন-কাঙলোন অসি য়াম্না ঙক্লিংঙাইনি। মী অয়াম্বসি কৎথোকপগী থম্মোয় পান্দে। মীনম্বা ৱা য়াম্না ঙাঙই। মশা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনৈ। লৈবাক্কীদমক খনবা মীদি য়াম্না তাঙলি। চীনগা, খূৎকা মান্নদে। অফবা মীসি অপংবনি লৌনৈ। লৈবাক্কীদমক খনবা মীয়ামগী মীহুৎ অমখক ফাওবা মীচম মীয়াম্না পুথোকপা ঙমদ্রি। লমচৎ-শাজৎ শা-ঙাদগী হেন্না হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা মীবু ইকায়খুম্নরি। হৌজিক খুন্নাইসিদা ওইরিবা ফীভম "Darkest Chapter of Kangleipak" অসি মতিক চাখিদ্রবা মীওই খরনা ওইহনখিবনি।

ঐখোয় পূম্নমক্না চারিবা-থক্লিবা পূম্নমকসি পুন্সিসিদা অফবা থবক খরতা ওইরবসু পাঙথোক্লক্নবনি। নোংমৈ পায়বা মীনা ঙাক্লগা লৌ উবসি মালেমগী করম্বা মফমদা পাঙথোক্লিবগে? ওক্তবা-ওক্তবীগী লিমিটসু লৈত্রে - নুপানা চহী ৬০ হেনবসু মচা পোক্লি। নুপীনা চহী ৪০ হেল্লগসু মচা চেল্লি। লমদম অসিগী মীশিংনা খল্লিবা ৱাখল অমসুং পাঙথোক্লিবা থবক অসি মালেমসিদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরি। কুমজা ২০২৪গী লোক সভা ইলেক্সনদা এম পি পিগী মীহুৎনা পার্লিয়ামেন্টবু নীকপা ঙম্বা এম পি অমত্তা মীয়াম্না খনসি। ঐখোয়গী খুন্নাইগী পোলিটিকেল পার্টিনা ঙাকসি।

লমদম অসি মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমগা শুকমান মান্নদে। মসিগী খুদম চাংদমসি মশীং খঙদনা লৈরি। ৱাফম খরদং ইজরি। ডাক্তরশিংনা প্রোফেসর ইন্নরি অদুগা ওজাশিংনা Dr. ইরি। কলম পায়বা কাঙবুনা, নোংমৈ পায়বশিংগী মরমদা হেন্না খঙবগুম ঙাঙলি অমসুং ইরি। অদুবু নোংমৈ পায়বনদি য়াম্না হৈশিংনা কলম পায়বশিংগী মরমদা ঙাঙলুবা অমসুং ইরুবদি লৈতে। মী অয়াম্বসি ঙাঙনীংবা ঙাঙলি, তৌনীংবা তৌরি। বৃটিশনা শেল্লম্বা লো হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াদা চনিরিবা অসিনি। লো হায়বসি খুন্নাই অসিদদি শুকলৈ লৈতবগা চপ মান্নরি। হন্দক পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল ষ্ট্রীট দ্রামা অদু মহাবলিগী য়োংশিংনা সঞ্জেনথোংদা য়েংলগা থম্মোয় পেন্না নোকখি।

মণিপুরগী পাউচেশিংগী এদিটোরিএল কলম অসি মরক মরক্তা য়াম্না মরু ওইবা মতমদা/তাঞ্জাদা ফ্রন্ট পেজদা হাপ্পা য়াই। অসিগুম্বা মওংসি FRANK MORAES না এদিটর-ইন-চীফ, দি ইন্দিয়ন এক্সপ্রেসকী মতমদা ফোংলমখি। মতমগী অহোংবা য়াম্না লৈরে। পৈশা হায়বসিদি দরকার ওইবদু লৈরগা লোইরে। পুন্সিসি পৈশা নত্তে।

অরোইবদা ঙসিগী নহাশিংনা খুন্নাইসি কলহৌদবা য়াদে। শোয়খিবা পূম্নমকসিদা মতম মাঙহল্লগনু। ত্রেনিং ফজনা তমউ। হকচাং ফহল্লু। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈয়ু। নখোয় মশেল পুল্লপ পুল্লু। অফবা-ফত্তবা পূম্নমক তানৌ। নশাগী ওইজবা থাদোকউ। লৈবাক্কী খল্লু। অঙম্বা মতেং পাংউ তোল্লবা-তারবা মখোয়দা। অরৈবা পূম্নমক কথোকপগী থম্মোয় পাল্লু। খুন্নাই অসি ফগৎনবা ঐখোয় খুদিংগী ৱাখল অমসুং হেন্না অফবা থবকশিং চংলি। থবক শুসি। ●

# পৈশাসু পুন্সিসু

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

ঐগা তিন্নজবা ইতাও মনিচন্দ্র মণিপুর লৈঙাক্কী মলেরিয়া লোয়শঙদা থবক মচা অমা তৌরম্মী। মহাক্তি থবক কাদ্রবসু ওফিসরনা করিমত্তা হায়বা ঙমদে। থবক কাদ্রবসু থাগী তোলোপতি অদুম কায়দনা ফংবা মীনি। মতৌ করম্না মানা থবক কাদ্রবসু থাগী তোলোপ শোয়দনা ফংলিবনো অমদি ওফিসরনা করিমত্তা হায়বা ঙমদ্রিবনো হায়বগী ৱারী অমা লৈরি। ৱারীসি অদুঙৈ ইতাও মনিচন্দ্রনা চুড়াচান্দপুরদা থবক তারিঙৈদা মাগা খঙনবা কুকি কাঙবুদা শোয়দনা লীরমগনি খল্লি। ৱারী মুন্না তাহৌবা কুকিশিংনা ইতাও মনিচন্দ্রগী লৌশিং অদুগী মতেং ফংদুনা কুইনা থৌরাং তৌরক্লগা হন্দক কুকি এম এল এ তরানা মণিপুর থুগাইবগী ফত্তবা পোরমদা শীজিন্নরক্লি। মণিপুর থুগাইবনা মখোয়গী অরোইবা ফিরেপনি কায়না হায়রক্লি। মণিপুর কাইদ্রিফাওবা নোংমৈ কাপ্লিসু ফোংনা লাওরি। অসিমক্তদা লৈঙাক অসিনা হায়বদি চীফ মিনিষ্টরনা করিমত্তা হায়দ্রিবা। স্পিকরনা এম এল এশিংগী মথক্তা ৱায়েল অমত্তা চত্থদ্রিবা। মমান্নবা এম এল এ, মন্ত্রি ময়াম্না কুকি এম এল এশিংদা ৱা অমত্তা হায়বা ঙমদ্রিবা। পূম্নমকসি ইতাও মনিচন্দ্রগী ৱারীদু কুকিশিংনা তাহৌবদগী ওইগনি নীংই।

ৱারীদুদি অসুম্না তৌবনি - মনিচন্দ্র মণিপুর লৈঙাক্কী মলেরিয়া লোয়শঙদা থবক তৌরবসু অয়াম্বা মতমদা লোয়শঙদা চত্তে। লৈকায়গী মরুপ মপাংশিংগা লোয়নদুনা য়ূমদা অদুম লৈ। মনিচন্দ্রনা থবক নিংথিনা কাদবদু মখুরা ওজা তোম্বীনা তৌহন্নীংদে। ওজা তোম্বী স্কুলগী হেদ মাষ্টরনি। অঙাং লাইরিক তাকপদা, স্কুল চাং নাইনা কাবদা মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা ওজানি। নোংমা ওজা তোম্বীনা মনিচন্দ্র কৌশিন্দুনা হায়বনি - লৈঙাক্কী থবক তৌরগা থাগী তোলোপ খরা খরা ফংবদুনা ইমুংসু পুরিবনি। থবক্লা কাদবা মশীংনা হেল্লি। থবক তত্তনা তোক্লনিনে। থবক্তু তৎলদি নঙ নমা উনি। মখুরাগী ৱাহৈ তারগা মনিচন্দ্রনা ময়া ইখি খিগৎতুনা, থৌ-ৱা ইশা শাদনা খুম্মী - খাতোন ঐ থবক কাদ্রসু থবক তৎলোই। ঐখোয় ওফিসরনা ঐ থবক কাদে হায়দুনা রিপোর্ট অমত্তা লোইশঙ মকোক্তা থারোই। মখুরানা - ওফিসরদুনা শাওনীংবা নুমিত্তা ৱানিনে নঙবো। নঙ থবক তৎপদা মাদি ৱাদৌ নত্তেনে। মখুরাগী হন্দক্কী ৱাহৈসিদদি মনিচন্দ্রগী অরোনবা থৌরাং হায়দোরক্লে। মখুরাদা পাউখুম পীরকই-খাতোন ঐখোয় ওফিসরদগী পৈশা য়াম পুরগা শীজিন্নরি। থা খুদিংগী মাগী শেন্দোই হুনবদা তোলোপকী শরুক মরি থোকপগী অহুম কক্লিবনি। ঐ থবক তৎলদি মাগী পৈশা মাঙজরেদনা। ঐ থবক তত্তনবা ঐখোয় ওফিসরনা কন্নদুম হোৎনরিবনি। করিম তৌরোই খাতোন হায়রল্লগা মনিচন্দ্র সাইকল থৌদোকখি। তশেংমবকসু ইতাও মনিচন্দ্রনা থা অনী অহুম থবক কাদবদা থবক তৎখিদে। অসুম্না কুকি এম এল এ খরনা মণিপুর থুগাইবনা মখোয়গী অরোইবা খোঙথাংনি হায়রকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়বদি চীফ মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙবা ঙমদে। এসেমব্লি স্পিকরনা আইনগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমদে। মমান্নবা এম এল এশিংনা ৱাহৈ পরেং অমফাওবা লোনবা ঙমদে। মসিদনি ইতাও মনিচন্দ্রগী ৱারীদু কুকিশিংনা পূক্লিং চঙনা তাহৌরে হায়বসি। হৌখিবা মীখলদা কুকিগী নোংমৈনা মায় পাকখিবনি হায়রিবসিসু ইতাও মনিচন্দ্রগী ৱারীদু তাহৌবগী খুদমনি।

নোংমৈ কাপ্তুনা মীতৈ হাৎলিবা কুকিশিংদা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা চীফ মিনিষ্টর। মণিপুর থুগাইরক্লিবা কুকি এম এল এশিংগী মথক্তা এসেমব্লি স্পিকরনা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎতুনা দন্দি পীরগে হায়বা খন্দ্রবা স্পিকর। মখোয় কুকি মীহুৎ মাপন্না মণিপুর থুগাইবা ঙমদ্রিফাওবা মীতৈ হাৎখিনি শীংনরক্লবসু অপূনবগী ফিরেপ লৌদুনা মায়োক্লগে খন্দ্রবা মীতৈ এম এল এশিং নখোয় ময়ামসিবু কুকিগী থাগী তোলোপ্তুগী নখোয়গী শেন্দোই কক্লগা য়ূম পুনরিবরা? পৈশা কয়াগী হিসাব চঙনরিবগে। শেন্দোই কাইদনা ফংবদুনা লুরিব্রা। নরৈবাক নজাতিনা লুব্রা? ৱাফমসি থবক্লা হায়হল্লকপনি, থবক্লা লালহল্লু। নৎত্রবদি পৈশাসু পুন্সিসু চপ মান্ননা মাঙখিবা য়াই। ●



ষ্টেটকী পাউ

## অরাপ্তিগী লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):** মণিপুর এগ্রিকলচর মিনিষ্টর টিঐচ বিস্বাজিৎনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট, পোরোম্পাৎতা পীরকপা হার বেগ ৫০ ঙসি অরাপ্তি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী লৌমীশিংদা ই ও অকাম্পাৎ সার্কলগী থৌদাম ভোগেন্দ্রনা য়েন্থোকখ্রে।



থৌরম অসিদা থৌদাম ভোগেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা হার পীবদা মুক্তা পৱার হায়বা হিদাক অসি পীখিদে। অদুবু হন্দক পীরকপসি লৌমীশিংনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা পীজবনি। মসিদা কনাগুম্বা লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হারগা তোৎশিন্নরগা লৌবুক্তা চাইবগী পাউ তাজে। মসি তৌবীগনু হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মুক্তা পৱর হায়রিবা হিদাক অসিদি লৌউ শিংউদ্রিঙৈগী ফৌ থাদ্রিঙৈ মমাঙদা উকায় তকপা অমদি লৌ পেঙবদা চাইবীগদবনি।

হার য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা অরাপ্তি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম মনিতোননা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসি চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক লৌমীশিংনা মতম মতমগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবগীদমক য়ুরিয়া হার দরকার ওইরকপদগী নহারোল থৌদাংগী সব এদিটর নিমোল নিঙোম্বমগা তান্নরগা এগ্রিকলচর মিনিষ্টরদা হায়রুরগা হায়রিবা হার বেগ ৫০ অসি পীরকপগীদমক্তগা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক লৌ পাল্লিবা মতম অসিদা লৌমীশিংনা ঈশিং ফঙদবা মফম কয়া অমসু য়াওবদগী মনাক নকপা তুরেল নত্ত্রগা পুখ্রিদগী ঈশিং চিংলগা লৌমীশিং য়াম্না ৱানা লৌ পান্নবা হোৎনরিবনি। মসিদা দিপার্টমেন্ট অসিনা লৌমীশিংদা মতম চানা মথৌ তাবা হার ফঙহনবগীদমক থাগৎলি হায়রি।

অরাপ্তি মনিং লৈকায়দা লৈরিবা ফার্মর এসোসিএসনগী ওফিসতা ঙসি হার য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকী আরকে ঙানবা অমদি ৱাই ইন্দ্রজিৎসু শরুক য়াখি হায়রি।

## এফ পি এস এজেন্সিশিংগী শেনফম পীবিদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):** হৌখিবা কুমজা ২০২১ দগী ২০২২ গী মার্চ ফাওবদা লিলোং এসিগী ওইনা ফ্যের প্রাইজ শোপ (এফ পি এস) কী এজেন্ট ওইরম্বশিংগী পীফম থোকপা মার্জিনেল প্রোফিটকী শেনফম পীবিনবা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎলবসু হায়রিবা শেনফমশিং অদু এজেন্টশিং মশা খঙহন্দনা কায়থোক্লল্লে হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা হায়রিবা এসি অসিগী এফ পি এস এজেন্টশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা কুমজা ২০২২ গী জুলাই ২৮ দা মতম অদুগী কম্মিস্নর কেফ এন্দ পি দি দল্লিয়ু বোবিনা থোকপা ওর্দর অমদা মতম অদুগী গভর্ণরনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পুন্না এসি তরুক্কী এফ পি এস এজেন্টশিংগী ওইনা কুমজা ২০২১ গী জুলাই থাদগী কুমজা ২০২২ গী মার্চ ফাওবগী মার্জিনেল প্রোফিটকী শেনফমশিং পীবিনবা অপুনবা শেনফম্না লুপা ৭৪,৪৬,৮৫৫ রোম সেঙ্কসন তৌখি হায়রি।

হায়রিবা শেনফম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসি তরুক হায়বদি লিলোং, ৱাংখেম, থৌবাল, হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা অমসুং খাঙবোক এসিদা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) গী চেঙ ক্বিন্টন লাক্ষ ১,১৪,৫৬৭ অসি য়েন্থোকখিবগী পীফম থোকপা মার্জিনেল প্রোফিটকী শেনফম্নি। মতম অদুদা লিলোং এসি খক্তদা এফ পি এস এজেন্ট ৪৫ নি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এজেন্টশিং অসি লৌথোকপগা কুমজা ২০২২ গী এপ্রিল থাদগী অনৌবা এফ পি এস এজেন্ট খনখিবা লৈখ্রে।

এজেন্টশিংগী ফঙফম থোকপা থা ১৮ গী মার্জিনেল প্রোফিট মনি পীবিয়ু হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসরদা ৱাকৎলুবদা শেনফম অদু মতম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিএসও ইন চার্জ পুরম্বা মীওই অমনা থৌবালগী ওফিসতগী কায়থোক্লগা এসি অদুগী এম এল এগা লোয়ননা য়েন্থোক্লগনি হায়না শেনফম অদু কলেক্সন তৌখ্রবনি হায়না পাউখুম পীরকখি। পাউখুম অদুগী মতুং ইন্না এফ পি এস এজেন্টশিংনা খোঙ্গুল লীরুবদা ওফিসর অদু ঙসি ফাওবা উন্নবা ফঙদ্রে হায়রি।

## ‘লৈকিন্থবিদা গাড়ী লৌবা চৎপদা অসাম রাইফলসনা ফুখিদে হায়বা য়ানিংদে’

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):** হৌখিবা থাসিগী ২০ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অৱাং লৈকিন্থবি শান্তিপুরগা থংননা লৈবা নোংপোক নিংথৌ চীংদা বঙ্কর ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগী চান থক্লবা থিনবা চৎপা গাড়ী অনী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হুন্দোল্লল্লগা চেল্লকখি।

নুমিৎ অদুগী নোংঙাল্লগা মথংগী নুমিত্তা মখোয়না হুন্দোল্লম্বা গাড়ী অদু লৌবা চঙলুবদা অৱাং ৱাবগাইদগী নিংথৌজম রোমেন্সন অমদি পুখ্রম্বম জোনবু ২২ শুবা এ আরনা ফারগা তমথীনা ফুরক্লগা থাদোরকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা এ আরগী মায়কৈদগী অৱাং ৱাবগাইগী মীওইশিংদা মখোয়না খূৎ থাখিবা লৈতে হায়না পাউচে খরদা ফোঙদোকখিবা অদু য়ানিংদে। লোয়ননা থৌওং অসি মখোয়না চত্থিবা অরানবশিং অদু মীয়াম মমাঙদা কুপ্শিন্নবা হোৎনবনি হায়না কোইরেঙ্গৈ ৱাংমা য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা এ আরনা ফুরকপদগী হৌজিক শোক্তুনা ফমুংদা তাদুনা লৈরিবা পুখ্রম্বম জোনগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়, সেকমাইগী নোংপোক থংবদা লৈরিবা চীংশাং পরেং অসিদা চীংসাট, ফাইলেন অমদি লুৱাংশঙ্গোলদগী হেন্দোক্তুনা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মীতৈশিংনা খুন দারিবা অৱাং লৈকিন্থবি, শান্তিপুর ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা খুনশিং অসিদা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দানবা হোৎনরি।

মসিগী মখা তারকপদা খুঞ্জাশিংনা কুকি খুৎলায় পায়বশিং অসি মখা তানা চঙশিল্লক্তনবা নোংপোক নিংথৌ লৈরিবা চীংদা বঙ্কর অমা শাদুনা খুন ঙাকপগী থবক চত্থরম্বনি। খুন ঙাক্লিবা ভোলুন্টিয়রশিং অসি লাইসেন্স গন নত্তনা অতোপ্পা অহেনবা খুৎলায় অমত্তা পায়বা লৈতে। মসিদা থাসিগী ২১ অমদি ২২ দা এ আরগী কাঙবুনা খুন ঙাক্লিবা ভোলুন্টিয়রশিং অদুদগী একে রাইফল অমা, লেঠোদ অমদি ত্রিন্স মোর্টর বোম অনী ফঙখি হায়রিবসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা পাউনি। মসিগী মথক্তা মখোয়না বঙ্কর ১৫ থেংনখি হায়রিবা অদুসু অরানবনি।

নুমিৎ অদুদা জোনদি শোক্তুনা নুমিদাং পুং ৮.৪৮ রোম তাবা মতমদা সেকমাই পিঐচসিদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি। অদুবু মহাক কোক্তা শোকপনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা রিফর তৌদুনা মখা তানা লায়েংনবগী থবক চত্থখি।

মসিদা ২২ শুবা এ আরনা রাজ মেদিসিটিদা অৱাং ৱাবগাইদগী পুখ্রম্বম জোন অমদি নিংথৌজম রোমেন্সন কৌবা মীওই অমত্তা হায়রিবা হোস্পিটাল অসিদা এদমিট তৌখিবা লৈতে হায়না মরাল শীখিবা অসি য়ানিংদে। এ আরনা নাকল অনীমক চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। অদুদি নত্তনা কুকিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মৈতৈবু লান্না উহনবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি হায়খি।